অসামগী এন আর সীদা লালহৌবগী মমিং য়াওরগা এম পিগী য়াওরক্ত্রে

গুৱাহাটি, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সী): অসামদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী)গী অহানবা দ্রাফ্ট ফোঙদলকপদা মমিং য়াওরক্তবা মীওই অমা মশা মথন্তা শিজখ্রে। সিলচরগী করিমগঞ্জদা লৈবা মীওই অমা লিষ্টতা মমিং য়াওরক্ত্রে হায়বা খঙবদগী মশা মথন্তা থৌরী য়ান্দুনা শিজখিবনি।

এন আর সীদা মমিং য়াওদবা মীওইশিং মপান লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা ঙাক্তনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মরৈবাক্তগা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলিবনি।

এন আর সীদা মমিং য়াওরকখিদ্রবা মীওইশিংগী মনুংদা ধুব্রি দিষ্ট্রিক্টতগী বাদ্রুদ্দিন অজমল কৌবা এ আই য়ু দি এফ পার্টিগী লোক সভা মেম্বর অমা য়াওরি। অসামদা মীশীং য়ামজদবা কাঙলূপকী লুচিংবনি হায়না লৌনরিবা অজমলগী মমিং এন আর সীদা য়াওরক্তবদা মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, অথিংবা থমখ্রবা য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসোম (উল্ফা)গী লুচিংবা পরেশ বরুৱাগী মমিংদি এন আর সীগী দ্রাফ্ট লিষ্টতা য়াওরক্লে।

কুমজা ২০০৫ দা অসামগী পোলিটিক্সতা খোঙদারক্তুনা বেঙ্গোলি লোল ঙাঙবা মুস্লিমশিং অমসুং অসামি লোল ঙাঙবা মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবা অজমলগী মমিং লিষ্টতা য়াওরক্তবা হায়বসি কনাগুম্বা খরনা লৌতুনরগা চথখিবা থৌওংনি হায়না মুস্লিম লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

অসামদা খুন্দারিবা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপকী মীওইশিং নুংশি-চান্ননা হিংমিন্ননবা থৌরাং লৌখৎলিবা মীওই অমগী মিং য়াওহন্দ্রগা তোখায় তাবগী ঈহৌ হৌরিবা উল্ফাগী লুচিংবা পরেশ বরুৱাগী মমিং এন আর সীদা য়াওহল্লকপা য়ানিংদে হায়না মুস্লিম লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখি।

উল্ফাগী লুচিংবা বরুৱা চাওগুৱাগী জেরাইগাউনদগীনি। চহী ৪০ রোমগী মমাংদা মহাক ময়ূম থাদোক্তুনা খূৎলায় পায়বগী ঈহৌদা শরুক য়াখিবনি।

চপ মান্নবা মওংদা অরুনোদোই দোহোটিয়া কৌবা উল্ফাগী সেন্ট্রেল পব্লিসিটি ৱিং লুচিংলিবা মীওই অমসু এন আর সীদা মমিং য়াওরকখি।

মীওই ক্রোর ৩ হেনবনা এপ্লিকেসন পীশিল্লকখ্রবা মতুংদা রেজিষ্ট্রার জেনরেল ওফ ইন্দিয়ানা চহী হৌবা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এন আর সীগী অহানবা দ্রাফ্ট লিষ্ট ফোঙখিবনি। লিষ্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজননি হায়বা মীওই ক্রোর ১.৯গী মমিং য়াওরকখি।

অমরোমদা, অসামগী এ আই য়ু দি এফ পার্টিগী লোক সভা মেম্বর অহুমগী মমিং লিষ্টতা য়াওরক্তবদা মীয়াম্না অঙকপা পোক্লখ্রে।

এন আর সীদা মমিং য়াওরকখিদ্রবা পার্টি অসিগী লুচিংবা অহুম অদুগী মনুংদা দুব্রিগী এম পি বাদ্রুদ্দিন অজমল অমসুং করিমগঞ্জগী এম পি রাধে শ্যাম য়াওরি।

অজমলনা হায়খি, ইমুং-মনুংগী মীওই পুম্নমক এন আর সীদা মমিং য়াওরগা মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা মীওইশিংগী মিং য়াওহল্লক্তবা হায়বসি এম পি অমসুং এম এল এশিং অসামগী সিটিজন নত্তে হায়বগী মওংনি। রাধে শ্যামনসু মচানুপা অমদি লোয়নবীগী মিং য়াওরগা মশামক্কী মিং এন আর সীদা য়াওহল্লক্তবগী থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

রাজ্য সভাদা ট্রিপল টলাককী বিল পুখৎলকপদা চরাংনবা থোকপদগী মীফম য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সী): ট্রিপল টলাক বিলগী মতাংদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী মেম্বরশিং য়েৎনরক্তুনা চরাংনবা থোরকপদগী রাজ্য সভাগী মীফম নোংমগী ওইনা য়ৈথোকখ্রে।

অপ্পর হাউসকী মীফম হেক হৌরকপগা লোক সভানা পাস তৌখ্রবা মুস্লিম ৱিমেন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) বিল হাউসকী মীফমদা লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা পুখৎলকখি।

বিল অদু পুখৎলদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, লোক সভাদা ট্রিপল টলাককী বিল পাস তৌখ্রবসু লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ট্রিপল টলাককী চৎনবী মখা তানা অদুমক লৈরি। মোরাদাবাদকী নুপী অমবু অউনপোৎকা মরী লৈননা ট্রিপল টলাককী খূথাংদা মপুরোইবনা খাইনখি।

লোক সভাদা বিল অসি পাস তৌখিবা মতমদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদবা কোংগ্রেসনা হন্দক্তি লেজিসলেসন অসি সেলেক্ট কম্মিটি অমদা থাদুনা য়েংশিনহনগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর অনন্দ শর্ম্মানা হায়খি, বিল অসিবু য়ানিংদবগী ৱাফম লৈতে। অদুমওইনমক অফ-ফত্তা কুপ্পা য়েংশিল্লবা মতুংদা বিল খূদিংমক পাস তৌবগী চৎনবী অমা লৈহনবা মথৌ তাই।

মতাং অদুদা ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি মদুদি, ওপোজিসন পার্টিনা করিগুম্বা হীরম অসিগী মতাংদা য়েৎনিংবা লৈরবদি নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মাংজৌননা মোসন অমা পুখৎপা মথৌ তাই। নুমিৎ নীনি হুন্নিগী মমাংদা মাংজৌননা বিল অসি মেম্বর খূদিংমক্কী মফমদা য়ৌহনখ্রবনি। মতমদুদা য়ানিংদবা ৱাফম য়াওরবদি নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মোসন অমা পুখৎলক্কদবনি।

ইন্দিয়াদা মুস্লিম নুপীশিংগী অচৌবা মায় পাকপা থৌওং অমা ওইনা লোক সভাদা ট্রিপল টলাকপু মপুং ফানা থিংনবগী বিল অমা ভোইস ভোটতা পাস তৌবা লৈখ্রবনি।

দিসেম্বর ২৯ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাউসতা পুখোরকখিবা বিল অদু তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক ভোইস ভোটতা বিল অদু লোক সভানা পাস তৌখ্রবা মতুংদা লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মুস্লিম নুপীশিংনা অথুম-অহাও য়েন্থোক্তুনা হরাওবা ফোঙদোক্লখি।

ওপোজিসন্না বিল অদু হাউসকী টেবলদা পুথোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি অমদা শিন্নগদবনি হায়না তকশিল্লকখি। রেভল্যুসনরি সোসলিষ্ট পার্টি (আর এস পি)গী মেম্বর এন কে প্রেমচন্দ্রননা বিলগী কোপিশিং লৈবাক মীয়ামদা য়েন্থোক্লগা অপাম-পামদা খঙদোকপা মথৌ তাই হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ভোইস ভোটতা দি মুস্লিম ৱিমন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিয়েজ) বিল, ২০১৭ পাস তৌখি।

গভর্ণমেন্টনা বিল অদু পাস তৌহৌদবা য়াদে হায়বগী মওংদা অয়ুক্কী মীফম হেক হৌবগা হাউসতা পুথোকখি অমসুং নুংথিলগী মীফমদা খন্নদুনা ভোট লৌনখি। ভোট লৌনরমদাইদা এ আই এম আই এমগী এম পি অসাদউদ্দিন ওৱাইসি অমসুং বি জে দিগী ভারত্রুহরি মেহতাবনা ৱাফম খরা শেমদোক শেমজিন তৌনবা হৌদোরকখি। অদুম ওইনমক গভর্ণমেন্টনা পুখৎলকখিবা বিল অদু করিগুম্বা অমত্তা শেমদোক্তনা ভোইস ভোটতা পাস তৌখিবনি।

এন জি টিনা ন্যু দিল্লিদা ‘ৱান ফেমিলি, ৱান কার’গী থৌশিল অয়াবা পীখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সী): ন্যু দিল্লিদা ‘ৱান ফেমিলি, ৱান কার’ পোলিসি চৎনহন্দুনা ইমুং অমদা গাড়ী অমদগী হেন্না লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না অয়াবা পীখিদ্রে।

এক্টিং চ্যেরপার্সন জষ্টিশ য়ু দি সালবিনা লুচিংবা এন জি টিগী বেঞ্চ অমনা হায়খি, পিটিসনরনা পুখৎলক্লিবা ৱাফম অসি থবক্তা ওন্থোকপদা খূদোংচারোইদবা লৈবনা মরী লৈনবা ওঠোরিটিদা ৱাকৎপনা হেন্না মতিক চাগনি।

এদভোকেট সাজন কে সিংহ কৌবা মীওই অমনা পিটিসনর ওইদুনা দিল্লিগী নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহন্নবগী পান্দমদা ‘ৱান ফেমিলি, ৱান কার’ পোলিসি চৎনহন্নবা পিটিসন ফাইল তৌরকখিবনি।

কুমজা ১৯৮১ অমসুং কুমজা ২০০১ গী মরক্তা গাড়ী মশীং কা হেন্না য়ামখৎলকপা মরম্না দিল্লিদা লন্বী চিলহনবগা লোয়ননা নুংশিৎ মোৎহনবনি হায়না পিটিসনরনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, দিল্লিদা অঙকপা ফংনা মীশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা গাড়ীগী মশীংসু নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। কুমজা ১৯৮১ দা গাড়ী লাখ ৫.১৩ লৈরম্বদগী কুমজা ২০০১ দা লাখ ৩২.৩৮ য়ৌরকখি। ইমুং অমদা গাড়ী অমদগী হেন্না লৈবা য়াহন্দবগী থৌশিল চৎনহল্লবদি দিল্লিদা গাড়ী চিনবা অমসুং ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী থৌওং মপূং ফানা থিংবা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিল্লি গভর্ণমেন্টনা পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিং নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)দা পীশিনবা লৈখ্রবনি। এন জি টিদা পীশিনখিবা এক্সন প্লান অদুদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা হায়খি, নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলক্কবা দিল্লিদা ওদ-ইভন স্কিম চৎনহনবা মতমদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কোমথোকপা লৈরোই।

পোল্যুসন থোকপগী চাং হন্থহন্নবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখত্তে হায়দুনা দিল্লি গভর্ণমেন্টপু হন্দক্তা এন জি টিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা এক্সন প্লান অদু পীশিনখিবনি।

মতৌ করম্না ঈশিং-নুংশিৎ মোৎপগী চাং হন্থহনগদগে হায়বগী মতাংদা উত্তর প্রদেশ, হরিয়ানা অমদি রাজস্থাননা লৌখৎকদবা এক্সন প্লানশিং ট্রাইব্যুনেলদা পীখৎখিবা তারবসু দিল্লি গভর্ণমেন্টতি মতম শাংনা পীখৎপা ঙমদনা লাকখি।

মতম খরা ফীভম ফগৎলুরবা মতুংদা হন্দক্তা ইনৌ নৌনা দিল্লিদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং ৱাংখৎলকখি। দিল্লিগী অনন্দ বিহার রিজনদা এয়র ক্বালিটি ইদেক্স (এ ক্যু আই) ওন্দুনা য়েংবদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংলম্বা থেংনখি। পনবা য়াবদি, লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা নুংশিৎ মোৎপগী চাং হেনগৎলক্তুনা মীওইবগী হকশেলদা খূদোংথীনিংঙাই ওইরকপদগী ওথোরিটিশিংনা দীজল জেনরেটর শীজিন্নবা য়াররোই হায়না থিংজিনবা লৈখ্রবনি।

বন্দনা মুম্বাই, পুনেদা মীয়ামগী পূন্সিদা অকায়বা থোকহনখ্রে

মুম্বাই, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সী): দলিট লূপশিংনা মহারাষ্ট্রগী মফম শীনবা থুংনা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পূন্সিদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে।

পুনেগী কোরেগাউন-ভিমাদা থোকখিবা খৎন-চৈনবগী থৌদোক অমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দলিট ফুরুপকী মীওইশিংনা মহারাষ্ট্রগী মফম পুম্নমক্তা বন্দ কৌখিবনি।

চৈরকসিদা, পুনেগী কোরেগাউন-ভিমাগী থৌদোক অদু মহারাষ্ট্রগী অতৈ মফমশিংদসু শন্দোরকপদগী থানেদা আই পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থমদুনা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মশীং য়াম্লবা দলিট ফুরুপকী মীওইশিংনা থানে অমদি পলঘারদা ট্রেন সার্ভিস থিংখিবগা লোয়ননা মুম্বাই অমসুং অতৈ মফম খরদা মীয়ামগী অচৌবা খোঙচৎ চৎখি। দলিট এক্টিভিষ্টশিংনা স্লোগান লাউদুনা রেল লম্বী থিংখিবগা লোয়ননা মফম খরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা মুক্কবগী থৌদোক থোকখি। মুম্বাইদদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা স্কুল বস অমত্তা চেনখিদবা তারবসু মহৌশাগী মতৌগুম কোলেজ অমসুং স্কুলশিং থোঙ হাংনখি।

টেক্সি-ওটো রিক্সো য়ুনিয়নশিংনা দলিটশিংগী খোঙজং শৌগৎতুনা নোংমগী শীন্থা লেপখ্রে। অদুম ওইনমক লোকল ট্রেন অমদি বোম্বে ইলেক্ট্রিক সপ্লাই এন্দ ট্রান্সপোর্ট (বি ঈ এস টি) কী বসশিং মহৌশাগী মতৌগুম চেনখি।

মহারাষ্ট্রগী পুনে দিষ্ট্রিক্টতা বৃটিশ মতমগী লান নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা কাঙলূপ অনী উংখৎনরক্তুনা খূৎ থোক্লরকপদগী মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অমা অশোক-অপন নংবা লৈখ্রবনি।

কুমজা ১৮১৮ দা বৃটিশ অমসুং পেস্বা ফোর্সেসকী মরক্তা শোক্লখিবা লান নীংশিংদুনা থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা কাঙলূপ অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখিবনি। পুনেদগী কিলোমিটর ৪০ লাপ্না লৈবা ভিমা কোরেগাউনদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই মঙা অশোক-অপন নংখিবগী মনুংদা অশোকপা অমা সাসুন হোস্পিটালদা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি।

খৎন-চৈনবগী থৌদোক অদু মনাক নকপা খুঙ্গং মরিদসু য়ৌরক্তুনা গাড়ী ৪০ রোম অমাঙ-অতা থোকখি। পুলিসনা খূৎ থোক্লরিবা নাকল অনী খামদোক্লবা চৈনা কন্দুনা মীয়াম তানখায়খি। করম্বা কাঙলূপ্না মতৌ করম্না খৎনবা হৌরকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

চহী খূদিংগী বৃটিশ অমসুং দলিট লান্মীশিংগী মরক্তা শোক্লখিবা লান নীংশিংদুনা ভিমা কোরেগাউনদা মীওই লিশিং চা কয়া তিন্দুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি।

লন্বী শেন্বা চঙলকখিবা চাইনিজ লান্মীশিং ইন্দিয়ন আর্মিনা অথিংবা পীদুনা চঙহনখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সী): অরুনাচল প্রদেশকী বিশিং মনাক্তা লৈবা খুঙ্গং অমদা চাইনিজ লান্মীশিং চঙশিল্লকপগী থৌদোক অমা থোকখ্রে। অদুমওইনমক ঙমখৈ ঙাক্লিবা ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) অমসুং ইন্দিয়ন আর্মিনা অথিংবা পীবদগী চাইনিজ লান্মীশিং হন্দোকখি হায়না হিন্দুষ্টান টাইমসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

মফম অদুদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনসু চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈ লান-শিল্লকপগী থৌদোক থোকখি হায়না এজেন্সীদা ফোঙদোকখি।

লন্বী শেম্নবগী খূৎলায় কয়ামরুম পুরগা চঙলকখিবা চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈ ঙাক্লম্বা ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা অথিংবা পীদুনা মরৈবাক্তা অমুক হলহনখিবনি হায়রি।

নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবাল অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনাগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী পোলিট ব্যুরো মেম্বর য়াং জি চিনা ঙমখৈগী ৱাথোক লোয়শিনহন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রবা মতুংদা চাইনিজ লান্মীশিং ঙমখৈ লানশিল্লকপগী থৌদোক থোকখিবনি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী সিনিয়র ওফিসলশিংনা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিলহন্দুনা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রবনি।

চাইনাগী ষ্টেট কাউন্সীলর য়াং জি চিনা ইন্দিয়াগী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিৎ দোবালগী উনদুনা ঙমখৈদা থোকখিবা ৱাথোক, ইন্টরনেসনল অমসুং রিজনেলগী ওইবা ৱাফম কয়া কুপ্পা খন্নখিবনি।

লূচিংবা অনীনা ২০লকশুবা ওইনা ৱারী শানখিবদা ঙমখৈগী ৱাথোক অমুক হন্না থোকহন্দনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখিবনি। নাকল অনীমক্তা অকায়বা পীরক্কদবা লৈবনা য়েৎনরিবা ঙমখৈগী ৱাথোক লোইশিলহন্দুনা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা লূচিংবা অনীনা য়ানবা পুরকখিবনি হায়না জিনহুৱাগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

দোক্লামদা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী লান্মীশিংনা নুমিৎ ৭৩নি মুক্কবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা লূচিংবা অনী উনখিবনি। নবেম্বর ১৮দা অহানবা ওইনা লৈবাক অনীগী লূচিংবশিং উনদুনা দোক্লামগী মতাংদা ৱারী শানখিবনি।

পাকিষ্টাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান শিরে

ন্যু দিল্লি, জানুৱারী ০৩ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সম্বা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা রাজপুরাদা পাকিষ্টানি রেঞ্জরসনা সিজ ফায়র থুগায়দুনা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা ঙমখৈ ঙাক্লিবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী হেদ কন্সটেবল অমা শিখ্রে।

ছোর্স অমগী মতুংইন্না ঙমখৈ ৱাংমদগী স্নাইপর কাপ্লকপদা আর পি হজরা কৌবা হেদ কন্সটেবল অমা মকোক্তা পান্দুনা শোকখি। খুদক্তা মহাকপু সম্বা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুবু, লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি।

ঙাইহাক লৈরগা পাকিষ্টানগী লান্মীশিংনা ঙমখৈ ৱাংমদগী মোর্টার সেল অমদি নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি। চহী লোয়বা নুমিৎতসু পাকিষ্টানগী লান্মীশিংনা রাজোরি অমদি পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা আর্মি জৱান অমা শিখ্রবনি।

মমাং চহীদা পাকিষ্টাননা ইন্টরনেসনল বোর্দরদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ১০৫ থোকখি হায়না বি এস এফকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, দিসেম্বর ২৬ তা পাকিষ্টান্না সিজ ফায়র থুগাইরগা ইন্দিয়াগী লান্মী মরি হাৎখিবগী লমন খুম্বা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) লানশিল্লগা পাকিষ্টানগী লান্মী ৩ হাৎপা লৈখ্রবনি।

থৌদোক অদুদা পাকিষ্টানগী লান্মী অমসু অশোক-অপন নংখি হায়না ইন্টলিজেন্সকী সোর্ছ পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখি।

দিসেম্বর ২৩দসু পাকিষ্টান আর্মিনা এল ও সী মনাক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রাজোরি দিষ্ট্রিক্টতা সিজ ফায়র থুগাইদুনা মেজর অমা য়াওনা ইন্দিয়াগী লান্মী মরি হাৎখিবনি। লৈখিদ্রবা ওফিসার অদু ১২০ শুবা ইনফেন্ট্রি ব্রিগেদকী মেজর মোহার্কার প্রফুলা অম্বাদাস (৩২)নি। মহাক মহারাষ্ট্রগী বেদ্রা দিষ্ট্রিক্টতগীনি। লৈখিদ্রবা অতৈ লান্মীশিং অদুদি মশাগী চহী ৩৪ শুরবা অগ্নিতসরদগী লান্স নাইক গুরমেল সিংহ অমসুং হরিয়ানাগী কর্ণালদগী পর্গত সিংহ (৩০) কৌবা সিফোই অমনি। কুমজা ২০১৬কী সেপ্টেম্বর ২৮ অমসুং ২৯গী লোন্নবা অহিংদা ইন্দিয়ন আর্মিনা এল ও সী ৱাংমা লান্না সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা এল ও সী মনাক নক্লা লৈবা পাকিষ্টানি আর্মিগী মরুওইবা মফমশিংদা এটেক চথখিবনি।

মমাঙ চহীগী থৌদোক অদুদা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম কয়ামরুম অমাঙ-অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা টেররিষ্ট কয়াসু হাৎপা ঙমখি হায়না দি জি এম ও লেফটনেন্ট জেনরেল রনবির সিংহনা ফোঙদোকখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
CRAFTSMEN TRAINING SCHEME
GOVT. INDUSTRIAL TRAINING INSTITUTE, IMPHAL (TAKYEL)

PRESS RELEASE

Imphal, the 2nd January, 2018

No.3/10/90-ITI(Pt.)/338 : A joint meeting of the staff of Govt. ITI, Imphal (Takyel) and Govt. Women ITI, Imphal, Representatives of AMISU, Trainees and Security Personnel of the post was held at Govt. ITI, Imphal (Takyel).

2. The meeting condemned the destruction of sign-boards put up by the AMISU.
3. New sign-boards will be put up and the security personnel at the post shall take in charge of the newly put up sign-boards.
4. Concerned authorities will be requested to arrange for 24-hour security of the campus and properties of Govt. ITI, Imphal (Takyel) and Govt. Women ITI, Imphal.
5. Campus light should be provided.
6. Trespassers and Stray animals should not be allowed to enter the campus.

Sd/- **S. Naba Singh**
Principal
Govt. Industrial Training Institute, Imphal (Takyel)

HL-B/4322/3&4

ꯊꯥꯒꯠꯄ/ GRATITUDE



Ashok Kumar

My sincere gratitude goes to **Sir K. Ashok Kumar** as he has helped me curing from my prolonged sickness. I have been suffering from **Cervical Spondylosis** for 1 year (one year); I had acute pain both in my hands and legs, numbness of my hands and burning sensation in my right leg was unbearable to me during this period. Moreover, I had chest pain too. All such discomforts healed after a mere consultation with him for 7 days at his clinic, **Ashok Kumar Health Care Centre, Near E.S.U. Ground, Palace Compound, Imphal, ☎ 9612988625.** Today, I am so happy after getting relief from such agonies. May Lord bless him to serve long.

Sd/- **Palmei Langaigai**
Sawombung Khunou

HL-P/326/4

NOTIFICATION

Wangoi, the 29th December, 2017

No.5/4/2016-SBM(ODF)WMC: Whereas a notification inviting claims and objection with respect to declaration of all the wards of Wangoi Municipal Council as Open Defecation Free (ODF) was published on 13/12/2017 and whereas no claim and objection of any kind has been received by this office within a 15 days timeline as on 28/12/2017.

Now as per final resolution adopted through Sitting No. 21 Resolution No. 1 of the proceedings of the Wangoi Municipal Council meeting held on 29/12/2017, it is hereby declared that the entire jurisdiction of Wangoi Municipal Council as Open Defecation Free (ODF).

Sd/- **Tunglut Khamminthang**
Executive Officer
Wangoi Municipal Council

HL-P/328/4

OFFICE OF THE
BISHNUPUR MUNICIPAL COUNCIL, MANIPUR

No. 8/25/2015-BMC *Dated : 31/12/2017*

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

In continuation of notice no. 8/25/2015-BMC dated 23rd December 2017, regarding the ward level cleanliness competition of all the 12 wards of Bishnupur Municipal Council, the final result is hereby declared after assessment and geo-tagged photos of wards. The results are given belows :

Sl. No.	Name of Ward	Position
1.	7 (Seven)	1st
2.	10 (Ten)	2nd
3.	12 (Twelve)	3rd

Sd- **L. Romesh Singh**
Executive Officer
Bishnupur Municipal Council

HL-P/331/4

OFFICE OF THE
BISHNUPUR MUNICIPAL COUNCIL

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE

Dated : 28/12/2017

No.BMC/2000/RO/N-T/Adv/2017-18/News Approval - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor Shed No. 43, Licence No. 166 Seat No. 41 Smt. Wayenbam Kamalini Devi W/o Late W. Dhananjoy Singh লৈফম Bishnupur Municipal Council Ward No. 11 গী মীংদা লৈবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রীমতি Wayenbam Tarunibala Devi W/o W. Orjit Singh লৈফম Bishnupur Municipal Council Ward No. 11 (Eleven) গী মীংদা Licence কী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি লাইসেন্সকী মীং ওনখ্রগনি।

Sd- **Y. Arunkumari Devi**
Revenue Officer
Bishnupur Municipal Council

HL-P/330/4